# 'মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী সেনিয়র দাইরেক্তর অমা ওইরিবা লমদমসিগী তাংলবা থিএটর পার্সনেলিটি হিজম শ্যামধানি'

- নানি

তাইবং মীওইবা অমা ওইনা পোক্লবদা করিগুম্বা শিন্থা খরা পাঙলম্বা হায়বসিদি তৌফম থোকপনি। কনাগুম্বশিংনা মসিবু য়াম্না চেকশিন্না লৌনৈ। কনাগুম্বা খরদি মহাক্না হিংলিবা নুংঙাইরিবা অসি মীনা খুদিংমক তৌরগা মহাক্না নুংঙাইগদবনি হায়না করিসু থৌৱা শাদনা লৈথোকপসু ময়াওদবা নত্তে। মখোয় অদুনা মীদা অমা হায়বদু তারে। তশেংনমক্তি, ঐখোয়গী পুন্সি অসি য়াম্না তাংবা মপোক অমনি। মমাঙদা অমদি মতুংদা মী ওইনা পোক্কদ্রা নত্ত্রগা করি ওইনা পোক্কদগে হায়বা কনানসু হায়বা ঙমদে। নহানমুক্কী মপোক হায়না পংহাই হাইনবগী ৱানি, অদুবু মপোক অমগী মরমদা থোইনা খনবা মীদি কনাসু লৈবা নত্তে। হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কী, মীয়ামগী, খুন্নাইগী ওইবা থবক খরা তৌরম্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ঐ অমা লৈবনা খুন্নাই অমা লৈবনি, খুন্নাই অদু লৈবনা ঐগী লৈবাক অমা লৈরিবনি। অদুদি ঐনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী করিগুম্বা খরা মীওইবা খুন্নাইগীদমক তৌরম্বা হায়বসিদি ময়েক্লা তাদুনা লৈরে।

লুরিবদি তৌগদৌরিবসি করিনো হায়বা অদুনি। মী খুদিংমক হেক পোকপদগী হৌনা অসি তৌগদবনি হায়দুনা অমত্তা পোক্লকখিবা নত্তে। মহাক মহাক্না চানবা চুনগদবা শিনফম অমা খনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মদুগী তাঞ্জা অদুসু মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না তাঙনা ফঙবা তাঞ্জা অমা ওইনা শুংশোই শোইদনা হেক হেক লাকই। মদু মরম অমদি মতম চানা লোকশিলহৌবা মথৌ তাই। মদু লোকপা হৈবা অদুনা মশাগী শিনফম অদুদা মতিক চাবা মীশক অমমম শোইদনা ওইবা ঙম্মী। শিনফম ওন্নবদগী অরেম্বদা তাদুনা মাঙবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে।

ঙসিমক মীয়াম্না থিএটরগী অমদি এক্টিংগী লমদা থোইদোক্লা খঙনরিবা, ইকায় খুম্নরিবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী সিনিয়র দিরেক্তর অমা ওইনা লৈরিবা হিজম শ্যামধানিসু তাইবং শেন্বীবা মপুনা থারকপদা শিন্নরকপা থৌদাং অদু চপ চানা লৌদুনা শিনবাংলিবা মীশক অমনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। য়াম্না নহা ওইরিঙৈদা নেসনল তুরিং ড্রামা পার্টি হায়দুনা লৈখিদ্রবা এলাংবম জয়চন্দ্রগী লীলা য়েংলুবদগী হৌনা লীলা য়াওনিংবগী ইথিল অসি য়াম্না চাওনা পোকখি। মদুনা লমজিং ওইদুনা ওজা ই. জয়চন্দ্রগী মনাক্তা চৎতুনা ড্রামা য়াওনবা হায়নখি। অঙাং ওইরবসু থৱায় য়াওজবা কয়া অদু উবীবদগী ১৯৫৮ তগী হৌনা নেসনেল তুরিং ড্রামা পার্টিদা য়াওহন্দুনা মখল মথেলগী রোল কয়া লৌদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা কোইনা চত্তুনা ড্রামা য়াওবা হৌরকখি। মতম খরগী মতুংদা, ১৯৬০ দা এমদিয়ুদা চঙশিন্দুনা অহল লমন কয়াগা লোইনবগী তাঞ্জা ফঙলকখি। অদুবু এমদিয়ুদা আর্টিষ্ট মেম্বর অমা ওইনা মিং চনবগী অয়াবা পীবদি ১৯৬৪ দনি। মফম অসিদগীনি থিএটরগী ওইবা অকুপ্পা কাঙলোন কয়া লাই ওইখ্রবা অহল লমন কয়াদগী তমজহৌবগী খুদোংচাবা ফঙখিবা। অহানবদা মরু ওইবা রোল অমা ফাওবা কুম্বা ফঙজখিদে, মরমদি মতমদুদা মমিং লৈরবা মশক মতৌ ফজরবা এক্টর অমনি হায়বদা লেমজবা আর্টিষ্ট কয়া অমনা শৌ শাদুনা লৈরমখি। অদুগী মরক্তা য়েপ্তুনা অচৌবা রোল ফঙবা হায়বসি অরাইবা অমা ওইখিদে। অদুবু তাঞ্জা চাবদগী মমিং লৈরবা রোল খরা ফঙবা হৌখি। কুমখিবা রোলশিং অমদি লীলা খরগী মমিং পল্লবদা- "কর্না-আর্জুন" লীলাদা "কর্না"। রোল অসিমক শাবদা ১৯৮৪ দা ইস্কোন সমাজনা পেনবীদুনা গোল্ড মেদল পীদুনা ইকায় খুম্নখি। লোয়ননা কর্না শাবা হায়নফাওবা মিংচৎ থম্বা ঙমজখি। "অলেকজেন্দর" লীলাদা "সেলুকস", সানুলেম্বী লীলাদা "সারুংহনবা", "রামের সুমাতি" লীলাদা "রাম", "বির টিকেন্দ্রজিৎ" লীলাদা "টিকেন্দ্রজিৎ" শাদুনা অথোইবা মিংচৎ কয়া থম্লকখি।



শ্রী হিজম শ্যামধানি, এক্টর অমা ওইনা শক খঙনরম্বদগী দিরেক্তরগী মায়কৈ অসোমদা মায় লৈশিল্লকখিবসি ইহান হানবা ওইনা ১৯৮০ দা পান্থোইবী নাট্য মন্দিরনা পুথোকপা "মাগী মতমবাক্তা" হায়বা প্লে অদু এল্লাহাবাদতা নাট্য শঙ্ঘনা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রগী বোম্বেদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গুয়েজ সোর্ট প্লে কম্পিটিসনদা বেষ্ট দিরেক্তর, বেষ্ট প্লে, বেষ্ট এক্ট্রেসনচিংবা মনা কয়া ফঙলকখি। মসিনা দিরেক্তর অমা ওইনা লৈরবা থিএটর গ্রুপ কয়াগী দিরেক্তর অমা ওইনা মমিং লৈরবা লীলা কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরগী থিএটরগী মুভমেন্ট অসি কনখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। দিরেক্তর অমা ওইনা ৱার্ক তৌখিবা অতৈ থিএটরগী লূপশিংদি - লিলোং চজিং কলচরেল ইন্সটিট্যুট লিলোং, জুবেনাইল থিএটর, কোংবা, লৈময়োন আর্ট সেন্টর, চীংঙামখা, উত্তরায়ন থিএটর, খুরাই মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়রিবশিং অসি নীংশিংবা য়াই। হায়রিবা গ্রুপশিং অসিগী প্লে ৫০ মুক হেন্না দিরেক্সন পীদুনা নেসনেল অমদি ষ্টেটকী ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়ারকখি। লোয়ননা মনা মথুম কয়া অমসু ফঙলকখি। ওজা হিজম শ্যামধানি, নেসনেলগী ওইবা থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলশিংদা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা কয়া লৌবা ঙমখি। এমদিয়ুগী মাষ্টর প্লে কয়া অমসু দিরেক্সন পীদুনা মনা কয়া ফঙবা ঙমখি। দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর, ন্যু দিল্লি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস এন্দ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর, সঙ্গিট নাটক একাদেমিনচিংবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল, ৱার্কশোপ প্রদক্সন কয়াদা দিরেক্তর অমা ওইনা মমিং লৈরবা লীলা কয়া পুথোকখি। মমিং খরদং পল্লবদা- "জয় ভারত (১৯৮৪)", "মাইতোনফি শিমরৈশাং (১৯৮৬)", "পিদোন্নু (১৯৯১)", "খুৎচুপ চৈমিয়াং (২০১০)", "খোয়োন তেবী তেসৱা (২০১২)", "খোঙজোমনুবী (২০১৪)", "খিজিরখান, (২০১৬)", ক্বাক্কী মচা ক্বাক, উরোক্কী মচা উরোক, ২০১৭) হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। মতম অমা মণিপুরদা য়াম্না মমিং লৈনা শান্নরম্বা পৌরানিক প্লে, ফোল্ক প্লে কয়ানা মরাই চাইথখিদুনা মাঙখিবা অসিদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। সোসল প্লে, মিথোলোজি অমদি ফোল্ক প্লেশিংগী মান্নদবা মরমচৎ কয়া লৈরি। মদু মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। রস খুদিংমক্তা করম্না এক্ট তৌগদগে, রসশিং অদু করম্না খঙগদগে, করম্না নৈনগদগে হায়বা অশোমদা মায় ওনশিলহন্নিংই। হকচাংগী মুভমেন্ট, বোদিগী লেঙ্গুয়েজ, রিদম অমদি দেলিভরি ষ্টাইল কয়া খঙদনা অফবা এক্টর অমা হেক্তা ওইবা হায়বসি কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। লোয়ননা মণিপুরদা থিএটর য়েংবীনবা ওদেন্স ৱাৎশিল্লকপা কয়া অসিসু মরম লৈরি। ময়াম অদুগী মরক্তা হৌজিক্কী প্লে পুথোক্লিবশিংনা য়াম্না চেকশিন্না, মমুৎ তানা লীলা তম্লগা ফজনা পুথোক্লবদি হৌজিকসু ওদেন্সকীদমক্তি কয়া থোইনা ৱানিংঙাই লৈতে। প্রদক্সন অদুনবু ফজরবদি ওদেন্স অদুম লৈখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্বীরি।

হিজম শ্যামধানি, ওজা অসিনা থিএটর থৌমী অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা চঙশিল্লক্লিবা কথোকপগী খোঙচৎ কয়া অসিগী য়েংদুনা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা লূপ কয়ানা এৱার্দ কয়া লান্থোক্তুনা ইকায় খুম্নবীখ্রে। ২০১১ দা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্দ, ২০১১ চহী অসিমক্তদসু, মণিপুর সাহিত্য সাহিত্য পরিষদনা পীবা "নট্যভুষণ এৱার্দ" ২০১০ দা পান্থোইবী নাট্য মন্দির, য়ুম্নাম লৈকায়না পীবা "মেঙলেন খোঙ-ঙা", ২০১৫ দা রুপমহল থিএটরনা পীবা মৈত্রম বির থিএটর এৱার্দ অসিনি। ফিল্মগী লমদসু, ২০১১ দা ফিল্ম একাদেমি মণিপুর বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর এৱার্দ অমদি ২০১৮ দা সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচিংনা শিনবা তরেৎশুবা মনিফাদা বেষ্ট সপোর্টিং এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী ফিল্ম কয়া অমদা মরু ওইবা রোল কয়া লৌদুনা কুম্বীখ্রে। লোয়ননা দুর্দশন কেন্দ্র ইম্ফালনা পুথোকখিবা মমিং লৈরবা টেলিপ্লে "ইন্সপেক্সন" হায়বা অদুদসু য়াম্না মায় পাক্লা কুম্বীখি। হৌজিকসু অনৌবা ফিল্মগী এসেসমেন্ট কয়া লাক্তুনা লেপ্তুনা সুটিংগী থবক কন্না চথরি।

হৌরক্লিবা নহাশিংদা অনৌবা পুক্লিংগী ইনোৎ কয়া পীরদুনা এক্টিং হায়বা অসি য়াম্না অরুবা অমনি, মসিবু মমুৎ তানা খঙলগে হায়রবদি থৱায় য়াওবা, কথোকপা, অহল লমন কয়াগী মনাক্তা চৎতুনা হংবা, তান্নবা, থকসি খাসি নাইবা অসি চঙই। মী পুম্নমক ফাওনখ্রে, ঐসু ফাওগে হায়বা ৱাখলনা মাঙ থারগা লাক্লবদি মদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। য়ামদ্রবদা বেসিক নোলেজ খরা ফাওবদি লৈনবা হোৎনগদবনি। লাই মচাগুম্না ফিল্ম য়াওরুগে, ঐ ফাওরগে হায়না হেক্তা লাক্লগা য়াগদবা নত্তে। ৱাহৈ পরেং অমা ফাওবা চুম্না হায়বা ঙমদবা, ৱাহৈশিং অদুনা পুরিবা ৱাহন্থোক করিনো খঙদনা পঙহায়দা হায়বা অদুনা মশক নাইরবনি হায়না খঞ্জরিবা ইচা ইনাওশিংনা মখোয়বু তাকপী তম্বীবা ঙম্বা অহল লমন কয়া অমা লমদম অসিদা লৈরি। মখোয়গী মনাক্তা চত্তুনা তম্বদা থোইনা ইকায়নিংঙাই লৈতে। তম্বদা থেংবা অমদি ঙনবা হায়বসু লৈতে হায়না মরু ওইবা ৱাফম কয়া অমসু থম্বীরক্লি।

Institute of Paramedical Science & Management
IPSM
(Runned & Managed by The Intellectual Society of India)
DIPLOMA/ DEGREE
Admissions Open Paramedical Courses
Diploma/ Degree Courses Duration: 2 Years / 3 Years
- Medical Lab Technology (MLT)
- Operation Theatre Technology (OTT)
- Radio Imaging Technology (RIT)
- Optometry (OPT)
- Dialysis Technology (Dialysis)
- Cardiac Care Technology (CCT)



F-661, Palam Extn., Sector-7, Dwarka, New Delhi-110077
Contact No.: 09899705760, 08383045704
ipsmindia@gmail.com www.ipsmindia.com
Eligibility 10th/12th Graduate
HL-P/7710/10

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ
Resonance®
Educating for better tomorrow
1 Year Regular Course for NEET Target - 2023
* 6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
ENROLL TODAY!
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7717/ 4,7,10,13,16,19,22,25,28,31

## ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ত্রিনামুলগী লুচিংবা ৩ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে, মীওই ১ ফারে

কোলকত্তা, জুলাই৯ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সাউথ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্টকী কেনিং টাউনদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লূচিংবা অহুম মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই অমা ফাগৎখি। থাজবা য়াবা পাউ অমা ফঙবদগী বরুইপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা অবতাফ উদ্দিন কৌবা মীওই অমা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মহাক্কী লোৎফমদগী ফাখি।

অবতাফ উদ্দিন অসি ইরাই নুমিত্তা ফাইল তৌখিবা এফআইআরদা পল্লিবা মীওই তরুক্কী মনুংদা য়াওদ্রবসু মহাকসু সস্পেক্টশিংগী মনুংদা অমনি। ইনভেষ্টিগেসনদা ত্রিনামুলগী লুচিংবশিং অদুনা জুলাই ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টি অসিগী চহীগী ওইবা মার্টিয়র্স ডে প্রোগামদা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মীটিং অমগীদমক্তা করম্না অমদি কদায়দা চথোক চৎশিন তৌবগে হায়বসি অবতাফ উদ্দিন্না মীহাৎপশিং অদুদা তমখি হায়বসি ৱাহং পাউহং চথবদা খঙলকখি।

উহৌবা মীওই কয়াগী মতুং ইন্না হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই মরি মোটোর সাইকল অনী তোংলগা লাকখি অমসুং মখোয়না ভিক্তিমশিং অদুগী লক্ষ্মী থিংজিনখি। অহানবদা মখোয়না ত্রিনামুলগী লুচিংবশিং অদুবু অনকপা রেঞ্জতগী নোংমৈনা কাপখি অমসুং মদুগী মতুংদা মখোয়না লুচিংবশিং অদুগা থাং শীজিন্নদুনা অমুক এটেক্ট তৌখি হায়রি।

## অমরনাথতা মীওই কয়াগী পুন্সি কনখিবা পুলিস ১ লৈখিদ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ৯ (এজেন্সী): সাউথ কাশ্মিরগী মনুং চনবা হিমালয় চীংগী শরুক্তা লৈবা অমরনাথ শুরুং মনাক্তা ক্লাউদবর্স্টনা মরম ওইদুনা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদগী মীওই কয়া ইরাক্লবদগী কনবীখিবা মথৌনা মরিংজেল লৈরবা থবক্তগী পোত্থারবা পুলিস পার্সনেল অমা শেংলবা অমরনাথ শুরুং অদুগী মনাক্তা চেন্থরকখিবা ঈচেলনা চেন্থদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লাইফম কোয়বা মীওই কয়াগী পুন্সি কল্লম্লবা মতুংদা খঙহৌদনা অকনবা ঈচেলনা চেন্থবদগী লৈখিদ্রবা থবক্তগী পোত্থারবা পুলিস পার্সনেল অদুগী মমিং সুসিল খাত্রি কৌই। মহাক রাজস্থানগী বিকানরদগীনি। শ্রী গঙ্গানগর ট্রাফিক পুলিস ষ্টেসনগী হান্নগী ইন চাজ নি হায়রি।

মীওই ১৫ শিখিবা অমসুং অতৈ মীওই ৪০ হেন্না অশোক অপন নঙখিবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুদা খাত্রিগী মরী মতা ওইবা সুনিতা ৱাদৱা কৌবী নুপী অমসু শিখি। খাত্রি (৬১) অসি জুলাই ৩ দা শ্রী গঙ্গানগর থাদোকখিবা দিবোটি ১৭ কী মনুংদা য়াওখি হায়রি।

মহাক লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ মাপননিগী মমাঙদা সার্ভিসতগী পোত্থাখিবনি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST, PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 215/SDC/IW/P
Khuraijam Kumar Singh S/o (L) Khuraijam Babu Singh of Yurembam Mayai Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Khuraijam Babu Singh S/o (L) Chaoba Singh of Yurembam.
-Deceased Pattadar

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯅꯕ / NOTICE
Dated: 08/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোইগী খুল নং ৭৯- য়ুরেম্বমগী পাট্টা নং ২৬ (অরিবা), ১৫৫ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩৯ গী ০.৬৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী সত্বনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নি শুবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা, অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi
HL-P/3283/10

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref. Mutation Case No. 398/SDC/SWG/2022
Parties :Senjam Ibomcha Meitei, S/o Late Tombi Meitei of Kong-pal Kongkham Leikai - Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Senjam Tombi Singh, S/o Late S. Ibohal Singh of Khurai Sajor Leikai - Opposite Parties

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯅꯕ / NOTICE
Sawombung, the 8th July, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 79-Nongdam পট্টা ন: ..... (অরিবা) 137 (অনৌবা) দাগ ন: 140 মোট এরিয়া 1.02 একর চাওবা ইঙ্খোল/ লৌফমগী পাট্টাদার Senjam Tombi Singh অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung
Imphal East
HL-P/3303/10



Title :
By : Huidrom Thoungamba Singh
Class : II Sec : B Roll : 3
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Princess
By : Linthoi Leitanthem
Class : II Sec: D Roll : 39
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Scenery
By : Meethoiba Yambem
Class : I Roll : 16
School : Areca School



Title : Bike
By : Ningombam Tomthin Singh
Class : II Sec: B Roll : 36
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Chhota Bheem
By : Okram Taibanganba
Class : I Sec: A Roll : 50
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Snow Man
By : Sukham Leishemba Mangang
Class : I Sec: B Roll : 11
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Lotus
By : Florence Thoudam
Class : V Sec: A Roll : 34
School : Green Tree Academy




Title : House
By : Henry Thoudam
Class : K.G. Sec: A Roll : 2
School : Green Tree Academy



Title : Landscape
By : Lanchenba
Class : V Sec: C
School : St. George



Title : Ice-Cream
By : Senjam Henthoibi
Class : II Roll : 15
School : Keishamthong High School



Title : House
By : Meitram Helentina
Class: I Roll : 27
School : R.M. School



Title : A Pot
By : N. Linthoi Chanu
Class : II Roll : 1
School : Little Rose School Sagolmang

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।